# ভলেন্টাইন’স দেনা লাকপদা - কাউঙমদ্রবা নুংওন ৱারী কয়া ঐখোয়গীসু লৈজে

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*‘‘হায়মা! অদু ওইরেকো!’’ হায়রন্নগা থাদোইদো,*
*মিস্না থম্বাল মানবীদা তরং লাইজ ঈহৌরে*
*‘‘তাবীয়ুকো ইবুংঙো! লোইদাম কুইরে ঐ অসে,*
*ৱাজরক্লে ননাওদি পাম্মু নঙগী ৱাখলনা,*
*থম্মোয় অসি চাকখরে, মতম ওইরে কোকপীরো!’’*
*হায়রদুনা থাদোইনা খম্বা থোইবী অনীদো,*
*কোরৌ নুমিৎ অদুদা সরি নামুং শোন্নরে।*
*স্নরিক মচুম থক্লরে।*
***ৱাশক্লবা লোইরগা হৈবু লৈবু অরৈবা পুথোক্কুনা চানরে। খম্বা থোইবী সেনুগা,***
***ঙহাক ৱারী শানরে, দুদৈ খম্বা হনখরে। (খম্বা-থোইবী শৈরেং)***

ৱাশেম ৱারীদা যূম্ফম ওইবা শৈরেং মতেকনি হায়গেরা তশেংনমক থোকখিবা ৱারীনিবু হায়গেরা অওইবা অমা ওইজরসনু, কেগে মোইরাং নিংঙোলশিংনা লোক্তাক্তা ইঙ্গিংলিঙৈ লায়র লমজা খম্বগা মজাইবেম্মা থোইবীগা থমংখোংগী খোংজিন্দা থম্মোয় থোঙজাও হাংদোক্লদুনা নুংশি ৱাশক্লখ্রে হায়বসিমদি য়েৎলুনিংঙাই ওইদ্রে। খুন্নাই অসিগী নাৎ-কলচর থৌসু থৌচৎ অমদি পুন্সিরোলগা শাগোন্নরিবা নুংশি নুংওনগী অয়ৌবী থাক্লি হায়দবা ঙল্লোই। মখোয়গী ভলেন্টাইন’স দে হায়দুনকা কৈদৌনুংদসু হেঞ্জিনবা ঙল্লোই। চুশিন্নবা থাজৎ নুমিৎ অমা লেপথোক্লগা ইমা লোক্তাক লাইরেম্বীগী মশাইকোন্দা ***নুংশি নুংওন নুমিৎ*** হায়ব্রা কৈনোমা মিংথোল্লগা পাঙথোকপা য়াবজাৎনি। মীগী মতৌ পংতমদা তম্লগা রেষ্টুরেন্টদা মেন মান তাদনা চঙলগা কৈদৌনদোইনো? ঙসি ভলেন্টাইন’স দেনি। নুংশি নুংওনবু থম্মোয় শেংনা থাক ৱাংনা খঞ্জবা শাবী শানৌ কয়াগী নুংশি লীপুন চেৎশিনহনবা নুমিৎনি। জেলগী চেকপন্নুংদা অৱাবা খাঙলিঙৈ মাগী থম্মোয়নুংদা তাখিবা জেলরগী মমোল্লোইবু নুংশিজবগী মমি মূৎপা কৌবা লৈখিদে। নুজা মাগী মফমদা ইরম্বা চেপাউ অমনা মাগী নুংশিববু তাইবঙনা খঙনরকখি। নোংমা নোংমগী অসুম অসুম মতিক ময়াই হেনগৎলক্লি। তুরেলগী ঈচেলদি থিংননবা পাম্বে লৈ, অশেংবা নুংশিবগী ঈচেলবু থিংবা ঙম্বা কনাগী মতিক ওইবগে হায়বদুমক্লি।

অদুবু ঐখোয় পূম্নমক্না মসিমদি নীংশিংবা চুমগদরা খল্লি মদুদি নুংশি নুংওনগী ওইবা থাক ৱাংলবা নুংওন ৱারী কয়া ঐখোয়গীসু লৈজে। হাওরং লৈশং শাফবী-লোয়া নহা শাফবগী ৱারীবু তরাই তরাই লৌবা য়াবরা? অশেংবা মরী মখোঙ খঙনহৌদবনা মরম ওইদুনা শাফবীগী অপোকপগী মখূত্তা শাফবা থৱায় মাঙখি। অঙকপনি ওন্থোক্লসু কনখ্রবোই নুংশিবগী ময়াই তাইবঙপান থাদোক্কুনা মথংলেন মতুং ইনখি। অসুম্না লাইরল্লেন্দা কামিন্নখি। মসিনসু লোইবা নত্তে, নিংথৌকোনগী মমোল্লোই মজাইবেম্মা থোইবী অমদি লায়র লমজা খম্বা অনীগী নুংশি মরীদি শৈথাবগী লোইবা নাইদে। শৈশকপা শৈশকপী কয়ানা শৈথাদুনসু পেল্লে তোক্লো হায়নীংদে, তানীংদুনতা লৈ। খোর্জেই পায়বা কয়ানা শীংথারবসু অদুম পানীংদুনতা লৈ। থোইবীগী নুংশিবদি তমজনীংঙাইনি। মথংলেনগী থৱায়তবু কন্ননবা অকি অখং পোকখিদে, অথেংবা অহিংদা খূত্তা ছুরি পায়দুনা মোইরাং খোরী কৈথেলদা চেল্লকখিবনি। কবোদা লোই থারবসু লেঙদনা অদুম্মক লৈখি। খম্বা নত্তনা অতোপ্পা কনাবু নুংশিবগী মমি অমত্তসু মাগী থম্মোয়দা তাবা ঙমখিদে। খম্বসু অদুমঙায় লৈঙাকপগী চৈরাক নাচুংখিদে শিরসু অদুমঙায়রে খনখিবনি। শাবী শানৌ অনীমক্না থমংখোংগী ৱাশক্তো অদুম্মক ঙাক্কুনা নুংশি পন্থুং য়ৌমিন্নখি। অদুবু অহল লমনশিংনা লীবীরম্বা ৱারী অমদা খম্বা থোইবী থৱায় থামিন্নখি হায়। মখোয় অনী নুংশি ৱায়থুংনরবা মতুংদা নোংমা খম্বনা থোইবীগী নুংশিববু চাং য়েংনীংখি। অতোপ্পা লম্লানবা শাদুনা থোইবীবু লক্লরকপদা থোইবীনা খম্বগী থৱায় লৌখি। কাইনথংদা মথংলেননি খঙলকপদা মশা মথন্তা থাঙনা থিঞ্জদুনা মপুরোইবগী মতুং ইনখি। মসিদবু তরাই তরাইনা হেক্তমক লৌবা য়ারিবরা?

লমতা থাংজ অহানবদা থোকখিবনি হায়না থাজনরিবা ৱারীনি। হেঞ্জুনহানা মশানৌ লাইরৌলেম্বী উনবা চৎপদা শরোয় ঙারোয়না য়াইবী থৱায় লৌখিবনি। লাইরৌলেম্বীসু মথংলেনগী মতুং ইনখিবনি। য়াইরিপোক থম্বালনু লৈবাক্কী য়াইফনবগীদমক থিংঙেল থিংবদা থৱায় কৎখিবনি। মথংলেন মোহোনসিংসু মশানৌগী মতুং ইনখি। মপুরোইবা নীংবী সতি খোংনাং লাংওনবীগী ৱারী তাবদা মিৎলু পিরাং শিন্থদবা কনাবু লৈরিগবা! চোথে থাংৱাই পাখংবগী থৱায় মিরেনবু মতালোয় লৈমা শুনুলেম্বীনা সোরারেনগী মফমদগী পুরক্কুনা হিংগৎহনখিবা, নুংবান পোম্বী লুৱাওবগী মতিক ময়াই মথৌনা ফূদোক্কুনা মতালোয় কৌবরোল নামোইনুবু লৈনুং থোঙারেলগী মফমদগী লৌবা ঙমখিবনচিংবা মখল মথেন ৱারী মরাং কায়না লৈরি। কদেং থাংজহনবা - তোনু লাইজিংলেম্বী অনীগী থম্মোয় শোক্লবা ৱারীসু শীংথাবা য়াই। লাই থাজ ৱারীদসু নুংশি ৱায়থুংনখিদ্রবা অকোংজাম্বা - ফৌওইবী অনীগী ৱারী লৈ। অকোংজাম্বনা খুজেং পায়খিবা মিৎকুপ্তুদগী ফৌওইবীনা মপুরোইবমক্লি হায়না খঞ্জখি। অদুবু মখোয় অনী লৈপুন ওইয়ু তমখিদ্রে। মপোক লাংওন অমদা খম্বা-থোইবী হায়না শাইওন্দুনা নুংশি পন্থুং য়ৌমিন্নসি হায়না শরী ৱাশক্লদুনা চাক্লা চাক্লা কায়নখি। মখোয় অনীনা কায়নখিবা মফম অদুদা ঈ পাম্বী থারম্মী হায়দুনা ইথাই কৌখিবনি হায়বা ৱাফমসু থম্বীরম্মী। অচম্বা ইথাই ওইরমদ্রে। অসুম্না অতৈ অতোপ্পা হীরমশিংগা মরী লৈনবা ৱারী শীংবুন কয়া থম্বীরম্বগুম নুংশি নুংওনগী লমদসু ৱাত্তা পাদবী পুক্কে লনগৈ থম্বীরম্মী। ময়ামসিগা মরী লৈনবা থৌরম পাঙথোক্কে হায়রবসু ৱাৎপা কৌবা লৈররোই।

পূম্নমকসিগী মথক্তা ঐখোয়গী নাৎ, কলচর, লাইনীং, লাইচৎকা মরী লৈনবা থবক থৌরম খরদুসু নুংশি নুংওনগী মচৎ মওং অদুম্মক শাগোন্নদুনা লাক্লি। খুন্নাই অসিগী চহী হৌবা নুমিৎ ***শজিবু চৈরাওবা*** নুমিত্তা চৈরাওচীং কাবদা শাবী শানৌশিংনা কয়াগী মতিক নুংওঞ্জবা। ***লিক্লোল শান্নবা*** মশান্নসে ঙসিগী ইনখৎলক্লিবা পাখং লৈশা অয়াম্বনদি থৌশানদবগুম্না তৌনরক্লি। অরোন অথুপ য়াওদনা থম্মোয় মশক খঙনবা অমদি অনীংবা অপাম্বা পূক্লিং ইহুল নুংগী লোন ফাওনহনবা ঙম্বা শাবী শানৌশিংনা শান্নবা মশান্না অসি য়োকখৎপগী মথৌ তারক্লে। লিক্লোল শান্নফমদবু ফৈরেং তুরেংনবা ৱাখলনা কৈদৌনুংদসু হাইজিল্লুবা ওইথোক্তে। ঐখোয়গী য়াওশঙ থাবল চোংবীদগী হেন্না মতিক ময়াই লৈবা য়েন্নীং কুম্মৈবু মফম কদাইদা ফংগদগে! মফম মরাং খঙদনা মফম মতম নাইদনা তে লাউবা খুদিংগী পঙচোংদা চোংবসিনসু য়াওশঙ থাবলগী মগুন হন্থহল্লবনি। চোংবা খূৎচোংসু, তান্থাসু কৈনোমা ইতৌ তৌইদা। অহোংবা হায়বসি লাকফম থোকই লাক্কনু হায়বা নত্তে। অদুবু য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা অশেংবা মশক অদু মাঙখ্রদরা হায়না নুংনাংজবৈ ৱানি। ঙসি ভলেন্টাইন’স দেনি। য়াওনীংবা য়াওজসনু পাঙথোকচসনু। তৌবতবু ***লমগী ষণ মচি শাংই*** হায়বদুমক্তি তাহন্নীংদে। ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা মতিক ময়াই লৈরবা ইপোৎ ইরনশিংবু থৌশারক্ত্রবদি করিমত্তা তৌবা ঙমজদ্রবসু ৱারৌবা শাউনীংবা ইহুল অমা ফাওরক্কে তৌই। ●

# ‘‘অমাইবীগী লাইপাও’’

- সোইবম মঞ্জুনা চনু -

**ৱাহৌদোক :** মালেমদা লাই তোংবা তোংবী ময়ামনা লাইপাও পীবগী মখল কয়া অমা লৈরিবা অসিগুম লমদম অসিদা লৈরিবা মৈতৈ ফুরুপ অসিদসু লাইতোংবা লাইতোংবী ময়াম অমনা লাইপাও চেনবগী থৌ অসি পাংলি। অমরোমদা ঐখোয় অসি লাইগী মচা মশুশিংনি হায়না লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংনা হায়বীরম্মী। হায়রিবা ৱহৈ অসিগী অশেংবা শক্তমদি লাইতোংবা তোংবী অমাইশিংগী পুন্সিরোলগা লাইথৌগদা মমি চাওনা তারি। মরমদি ঐখোয়না ঐখোয়গী উমং লাইশিংবু ইবুধৌ ইবেনধৌ নৎত্রগা ইপা ইবুঙো ইমা-ইবেম্মা হায়না লাৎনরিবা অসিনসু অদুমক তাকলি। শন্না হায়রবদা মৈতৈ ঐখোয় অসি মপা-মপু (ইপা-ইপু) বু লাই ওইনা লাৎপা, মহৌশা লাইরেম্বীবু য়াম্না লুনা নিংজবা লাৎচবা ফুরুপ অমনি হায়বসিমদি য়াম্না ময়েক শেংনা লাইথৌ কয়ানা মশক তাকলি। মপা-মপুবু লাৎপগী মচৎতুনি উমং লাই হরাওবদা তারিবসি অদুগুল্লবা কনাগুম্বা থিজিনলোয়শিংনা হায়নৈ মপা-মপুবু লাৎপা নিংবগী থৌরম্বু মীগী লোলদা (Ancestor worship) হায়না খঙনৈ। মসিনা মালেমদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংগী হৌরকফম শাৎফম মান্নদ্রবসু মপু অমত্তনা শেম্বীবা তাইবঙপালনি হায়বসি তাকই। হায়রিবা মপা মপু নিংবগী থৌ অসিগী কাংলোনবু মরিক চুন্না লাইথৌ ওইনা পাংলিবা অসিনা লাই তোংবা-তোংবীশিং অসিনি। মীওইবগী পোকপা হিংবা শিবগী মনুং চন্না লাইথৌ ময়াম অমা পাংবদা লাইপাও চেনবা অসি য়াম্না মরুওইবা থৌরম অমা ওইনা লৌনৈ। হায়রিবা থৌরম অসিবু ময়েক শেংনা তাকপা লাইথৌ থৌরম হায়রগদি উমং লাই হরাওবনি। উমং লাই হরাওবগী থৌরম হেক হৌবদগী অমাইবীনা ঈকৌখৎপা মতমদগী হৌনা লাইপাও পীবগী চৎনবী লৈরি। লাইপাও অসি পীদবা য়াদে। লাইপাও অসি লৈরমদ্রগদি খুন্নাই অসি য়াম্না অৱা-অনা তাদুনা মীওইবশিংনা য়াম্না ৱানা লেনলমগনি হায়না খনজে। হায়রিবা লাইথৌ অসিগা চপ মান্ননা অতোপ্পা লমগী মফমদসু লাইগী থৌরমদা লাইপাও চেনবা অসিগী মচৎ অসি লৈ, খুদম ওইনা হারয়বদা China হায়রিবা লমদম অসিদসু অঙাং অমা লাই ওকনবদা, মশা নাবদা ইমুং অদুদা অমাইবীনা লাইথৌ তৌদুনা মমা-মচা অদুগী য়াইফনবা লাইপাও চেনলি অমদি পী। অসুন্না চিংমী হায়না খঙনবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ ময়াম অমনা খুনদাবা মফম অসিদসু অসিগুল্লবা থৌরম অসি মরাং কায়না অদুম্মক পাংথোক্লরি।

**লাইপাওগী মখল অমসুং লাইপাওগী মরুওইবশিং :** ইপা-ইপুবু লাই ওইনা লাৎলিবা ঐখোয়না ইপা-ইপু চীংঙু লাইশিংগী মচা-মশু ওইরিবা তাইবং মী ঐখোয় অনিগী মরক্তা পাও ফাওননবগী পাম্বে অসিবু লাইপাও হায়না খঙনৈ। লাইপাওশিংগী মনুংদা অমাইবীগী লাইপাও হায়বা অসিনা ময়ামনা খ্বাইদগী কোমনা অমসুং লায়না খঙবা ঙমবগী মপাওনি। অমাইবীগী লাইপাও হায়বসি তোঙান-তোঙানবা মখল কয়ামুক লৈ। অদুবু মখলশিং অসি নৈনদ্রিঙৈদা ঐখোয়না খঙমিন্নবা য়াবা অসি লাইপাও হায়বসি করিনো হায়বা অসিনি। চিংঙু খোয়ুম লাইগী অপাম্বা অনিংবা তৌহননিংবা তৌহননিংদবা মপাও কয়া অদু অমাইবীনা লাই তোংদুনা নৎত্রগা তোংদনা মীচমশিংদা খঙহনবা, তাহনবা অমসুং তম্বা অসিবু লাইপাওনি হায়না লৌনৈ। লাইগী মপাওশিংবু তাইবং মীওইবদা খঙহনবা তাহনবা অদুবু লাইপাও চেনবা হায়নসু খঙনরি। লাইপাও চেনবগী থবক অসি মশাদা লাই তোংবা মীওই কাংলুপ অসিতনা মরুওইনা তৌই মসিনা মরম ওইদুনা লাইপাও হায়বা লাইগী মপাও অসি নৈনরকপদা অমাইবীগী লাইপাও হায়বসিনা হেন্না খুদোংচাবনা মরম ওইদুনা হিরম অসিদা তেন্তক্লা থমজবনি। তৌবতবু লাইপাও চেনবগী নৎত্রগা পীনবগী থবক অসি শুপ্নগী অমাইবী খক্তনা তৌবদি নৎতে। লাইপাও পীবা নৎত্রগা চেনবা ঙম্বা অসি অমাইবী নৎতবা লাইতোংবা মীওই কয়া অমসু লৈ। খুদম ওইনা পল্লবদা ঐখোয়গী লাইগা পাংখক ওইবা মীওইশিংনি হায়না লৌনরিবা চীংঙু মায়চৌশিং অসি লাইগী মপাওবু নিংথিনা মমুৎ তানা খঙবা ঙম্বা তিনদাই লৈতাইনবা মপুং ফানা খঙবা ঙম্বা মীরমলেন লাইরমলেন অনিমক খঙবা উবা ঙমবদা নত্তনা অনীমকপু তাইবা ঙম্বা ওই। মখোয়গী মতীক ময়াইশিং অদুমক য়ৌবা ঙমদ্রবসু অমাইবী নৎতবা চীংঙু লাইপাও খঙবা ঙম্বা মীওই কয়া অমসু ঙসি-ঙসিমক ঐখোয়গী খুনাই অসিদা মঙাল নাইনা লৈতবা নৎতে। অমাইবীশিংগী তোঙান-তোঙানবা লাইপাও মখল কয়া লৈবসু ঐখোয়না থেংনরি। মদুগী মনুংদা খরদং পনবা তারবদি (১) শরিক পায়দুনা ফম্লগা লাইহৌলোন শোন্দুনা চেনবা লাইপাও। লাইপাও মখল অদুবু লাইমাং ফম্বগী লাইপাও হায়নসু খঙনৈ। অসিগুম্বা মখলগী লাইপাও অসি মরুওইনা উমং লাই হরাওবগুম্বদা য়াম্না মরাং কাইনা থেংনরি (২) চেঙবী চেঙবা হৈদুনা চেনবা লাইপাও, লাইপাও মখল অসিদি তোপ-তোপ্পা করিগুম্বা মরম অমগীদমক লাই তোংবী অমাইবীশিংদা য়েংহনবা মতমদা কাংলোন অসি শিজিন্নদুনা য়েংলগা মদুদগী পীরকপা মহয় অদুগী মতুং ইন্না পীবা লাইপাও মখল অমনি। মসিদা নৎতনা (৩) শেনমিৎ য়েংলগা পীবা লাইপাও (৪) মৈবী মৈরা য়েংলগা পীবা মপাও (৫) মঙদমদুনা পীবা লাইপাও (৬) মং চঙদুনা পীবা লাইপাও অমসুং তোঙান-তোঙানবা মওং কয়ামুক্তা য়েংদুনা পীবা লাইপাওশিং অসি পনবা য়াই। অমাইবীনা পীরিবা লাইপাও পীবগী মান্নদবা মওং কয়ামুক অসি খঙনিংলিবা মীওইশিং অদুগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা মওং কয়ামুক্তা য়েংলগা পীবনা চীংবসু অদুমক চৎনরি। অমাইবীগী লাইপাও পীবগী মখল অসি মথক্তা পঞ্জখ্রিবশিং অসিদগী হেনবা কয়া অমসু লৈরি। অমাইবীনা পীরিবা তোঙান-তোঙানবা লাইপাও মখলশিং অসিগী মরুওইবা অসি মতাং মতমগী মতুংইন্না অদুম্মক খেৎননা লৈ। মদুদি মী মশা-মশাগী, ইমুং-মনুংগী, লৈকাই খুল লৈপাক্কী ওইবা হিরম কয়ামুক্তা অমাইবীগী লাইপাওশিং অসি য়াম্না মরুওই। মী অমগী পুন্সিগী তাঙ্কক কয়াগী অফ-ফৎতদগী হৌরগা ইমুং-মনুংগী লৈকাই খুল লৈপাক্কী ওইবা অফ-ফত্তা কয়ামুক মাঙজৌননা খঙদোকপা নৎত্রগা তাক্কুনা থোকহন্নিংদবা কয়া থোক্তনবা হোৎনবগী তঞ্জা ফঙহনলি। লৈপাক্কী ওইনা মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা ইকং, ইচাও, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎকী অকিবা নৎত্রগা মালেম নিকপা অসিনচিংবা থোরকপশিং থোক্তনবা হোৎনবদা অমাইবীগী লাইপাওশিং অসি অদুক্কী মতীক মরু ওইরি, ঐখোয়গী ফুরুপ খক্কি নৎতনা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিং ফাওবা অমাইবী লাইপাওগী মরুওইবশিং অসি তরাইনা লৌবা ঙম্নদরি। অদুনা ঐখোয়গী খুনাই অসিনা লৈরি মখৈদি অমাইবীগী লাইপাও অসি হিংদুনা লেংদুনা লৈগনি অমসুং অমাইবীগী লাইপাওগী মরু ওইবশিং অসিসু মাঙবা, মূৎপা লৈতনা অদুমক লৈখিগনি। অসিগুম্বা নাৎকী কাইবা য়াদনা লাক্লবা লিক্লম অসি মাঙদনবা ঐখোয় পুন্নমক থম্মোয় শেংনা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই।

**লাইপাওগী কান্নবা :** লাইপাও অসি লাইনা পিনবিবা য়াম্না কান্নবা লাইথৌ থৌরমগী তাঙ্কক অমনি। লাইপাও হায়বা অসি লৈরম্বগী লৈপাক অসিনা য়াম্না নুংঙাইনা খুনজাও লৈচাওনা মতম অমদা পাল্লন্লিবনি হায়বা য়াই। লাইপাও অসি য়ুমগী, খুলগী লৈপাক্কি অমদি মালেমগী ওইনা চেনবগী মতমসু অদুমক লৈরম্মি মসি নিংথৌ পানবা লৈপাক্কী মচৎনি। ঐখোয়গী লম ওইনা লাইতিনগী নৎত্রগা লাইপাওনচিংবগী মতাংদা মীয়ামগা হেন্না নকশিন্নবা অমসুং পাক শন্না খঙনরিবা মীওই কাঙলুপ অসিদি ঐখোয়গী চিংঙু শাগোন্নবী খারী মংজম্বী অমাইবীশিং অসিনি অমদি উমং লাই হরাওবগী থৌরমদা অমাইবীনা চেল্লিবা লাইপাও অসিসুনি। ঐখোয়গী মীচম মীয়াম তোঙান-তোঙানবা কয়া অমনা লাইপাও ফনা পীদুনসু অমাইবীগী লাইপাও হায়রগনা হেন্না খোয়দাজরি। অমাইবীগী লাইপাও তারগা, খঙলগা তৌফম থোকপা, কৎফম থোকপশিং কৎথোকচরগা মশাগী ইমুং-মনুংগী লৈকাই খুল, লৈপাক্কী অৱা-অনা পুন্নমক কোক্চরে হায়না খুনাই অসিনা ঙসিগী চাওখৎলবা চহিচা অসিদা চেৎনা থাজনরি। মসিনা তাকপদি ঐখোয়না ঐখোয়গী পাথাং পুথাং নাইনা চৎথরিবা চৎনবীশিং অমসুং মসিগী থাজনবীশিং ঙসিসু অদুমক অহিংবা চৎনবী ওইনা লৈরি হায়বসিনি। নাকল অমরোমদা অমাইবী হৌরকপগী ৱারিগা অমাইবীগী লাইপাওগা অদুক্কী মতিক মরি লৈনৈ। ইমা লৈমরেন শিদবিনা তাইবঙ মচৎ খঙহনগে খন্না অমাইবী ওইরকপা, নোংথাং লৈমনা পান্থোইবী লাংওন্দুনা মীরমলেনগা লৈমরেনগা পাও ফাওনহনগে লাইথৌ তিনথৌ তিনখোং লাইখোং, লাইরম তিনলম অমসুং তিনতাই লৈতাইনবা পুন্নমক তাইবঙ মীওইবদা খঙহনগে হায়না অমাইবী ওইরকখিবগী ৱারি লৈরি অমসুং তাইবং মীওইবগী মফমদা মনুং মতম চাদনা থোক্লিবা অশি অনা পুন্নমক লাইথৌ তিনথৌ তৌদুনা কোকহন্ননবা লৈমা লৈনাওতাবীনা শরিক পাইনা অমাইবী ওইরকপগী ৱারিসু অমাইবীগী লাইপাওনা খঙহনলি। অদুনা লাইপাওগী তোঙান-তোঙানবা মওংশিং কুপনা নৈনবা তারবদি হায়রিবা অমাইবী ওইরকপগী মরমশিং অসিমক য়াম্না ময়েক শেংনা লাইপাওশিংদা য়াওবা থেংনৈ। শরিক পায়দুনা চেনবা চিংঙু লাইপাওশিং অসিদা পীরিবা ৱারি ৱাখোংশিং অসিগী নুংগী ওইবা মচৎশিং কুপনা য়েংবা তারবদি করিগীদমক করন্না অমাইবী হায়বসি হৌরকপগে হায়বদুসু অদুমক থেংনগনি। অসুন্না লাইপাও অসিগী হিরম অসি য়াম্না পাক চাওবনা পুন্নমক নৈনবগী ইতিক নৎচদে হায়না লৌজে।

**ৱারোয়শিন :** লমদম অসিগী লাইপাও অসি য়াম্না মরুওইবা থৌ অমনি হায়না লৌনৈ। মসি অমাইবীগী মচৎ অমনি। মালেম অসিদা থাজনবী অসিনা লৈরিমখৈদি লাইপাও অসি মূৎপা নাইররোয় অমদি উমং লাই হরাওবা হায়বা অসিনা লাইথৌ থৌরম পাংলিমখৈ মূৎপা নাইরোই হায়না লৌজে। লাইপাও চেনবা হায়বসি য়াম্না লুবা থৌ অমনি। মীচম অমনা হেক্তা চেনবা য়াবা নৎতে। লাইপাও চেল্লিবা মীওই অসি লাইতোংবা মীওই ওইগনি অমদি লিচৎ শাজৎ চুম্বা, য়েলহেন ঙাকপা অসিনচিংবা লাইগী পরম কাইদবা মীনা চেনগনি। অঙনবা মতমদা লাইপাও অসি নিংথৌগী কোনুংগী মনুংদা অমাইবী মাইচৌশিংনা লৈঙাকপদা খুৎলাই অমা ওইনা শিজিন্নবা লাইথৌ থৌরম অমনি। লাইপাওবু চুমলদি অমাইবী অমদি লাইপাও চেনলিবা মীওই অদু নিংথৌনা মনা পীদুনা ইকাই খুম্নে। লাকচনিংলিবা ৱাফমদি লাইপাওবু লমদম অসিদা কয়া য়াম্না চুম্না শেঙনা লাইগী মপাও পীবগে হায়বসিনি। শেন্দান লম্বীগী লাইপাও ওইখিবদা লমদম অসিদা কয়াম য়াম্না মাঙজবগে হায়বদুনি লৈপাক মীয়াম অমদি থিজিনলোয়শিং কুপ্পা নৈনবীদুনা মাঙখিদনবা অচুম্বা পরমদা লাক্লবা কনমিন্নসি হায়বা ৱাফমসি থমজরগা তেনশিঞ্জরি অশোয়-অঙাম য়াওরবসু ঙাকপীয়ু। ●

## ৼ্টেটকী পাউ

### এম পি এস সীনা রেকমেন্দ তৌরবা কেন্দিদেটশিং...

*লামায় ১গী মখা...* দিসেম্বর ৩১, ২০২২দগী হৌরদুনা লৌরবা য়াগনি। অদুগা মেনশিল্লবা ওফর ফোর্মশিং অদুবু অরোইবা ওইনা পীখৎলক্কদবগী মতমনা জন্যুৱারী ১৩, ২০২৩গী নুংথিলগী পুং ৩ ফাওবনি হায়খি।

হায়রিবা মতম অসি জোইন্ট সেক্রেটরি (দি পি) না থোকপা নোটিফিকেসন অসিনা খঙহনখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা ওফর ফোর্ম লৌনবগীদমক পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা লৌরদ্রবা নৎত্রগা সবমিসন তৌরক্কদবগী পীরিবা অরোইবা নুমিৎ অসি ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্ত্রবদি অদুগুম্বা কেন্দিদেট অদু মঙোন্দা পীরিবা সর্ভিস অসিদা ইন্টরেষ্ট লৈত্রে হায়না লৌগনি হায়বা অকনবা চেকশিন ৱাসু খঙহনখিবনি।

অদুবু খ্বাইদগী ঙক্লিবদি এম পি এস সীনা তোঙান তোঙানবা পোষ্ট ৮২গীদমক রেকমেন্দ তৌরক্লগা কেন্দিদেটশিংদা ওফর ফোর্ম লৌরগদবনি অমসুং পীশিল্লক্কদবনি হায়দুনা মতম পীদুনা থোকখ্রিবা নোটিফিকেসন অদুগী থংনবা নুমিৎ দিসেম্বর ৩১দা দি পিগী জোইন্ট সেক্রেটরি অদুমক্না অনৌবা নোটিফিকেসন অমমুক থোক্কুনা মহাক্না দিসেম্বর ৩০, ২০২২দা ওফর ফোর্ম লৌরনবা অমসুং পীশিল্লক্লবগী মতমনচিংবা পীদুনা থোকখ্রিবা ওর্দর অদু কেন্সেল তৌরে হায়না খঙহল্লকখি।

হায়রিবা নোটিফিকেসন অসি দিসেম্বর ৩১, ২০২২দা থোকখিবনি। মরম অসিনা নুমিৎ অসিগী মতুংদগী হৌজিক ফাওবদা এম পি এস সীনা রেকমেন্দ তৌরক্লবা কেন্দিদেটশিং অসিদা পীফম থোকপা ওফর ফোর্ম পীনবগী ৱাফম অমত্তা দি পিগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্তনা নমশিন্দুনা থল্লকপনা হৌজিক থা ২ ফাজিল্লক্কদৌরে হায়রি।

মরম অসিনা এম পি এস সীনা লৌদুনা কুমজা ২০১৬গী ওইনা পাঙথোকখ্রিবা এম সী এস সী সী (মেন) এগজামিনেসন অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা কুমজা ২০১৯দা পীখিবা ওর্দর অমনা ক্বাশ তৌদুনা চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা মেন এগজামিনেসন অদুগী মহুত্তা ফ্রেশ মেন এগজামিনেসন অমা থা ৪গী মনুংদা পাঙথোক্লবা খঙহল্লকখিবদগী পাঙথোকখ্রবসু মেন এগজামিনেসন অসিদা মায় পাক্কুনা এম পি এস সীনা রেকমেন্দ তৌরক্লবশিংবু লৈঙাক্না চাসি মরূ হুন্দোকসি মতোং হায়বগী ফীভমদা ঙসি ফাওবা থল্লব্রা হায়বসিসু মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লিবা ৱাহং ওইরে।

পনবা য়াবদি, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ককথৎখ্রবা এম সী এস সী সী (মেন) এগজামিনেসন অদুদা শরুক য়াখিবা কেন্দিদেটশিং খক্তমক এগজামিনেসন অদুগী মহুত্তা ফ্রেশ ওইনা পাঙথোকখিবা এগজামিনেসনদা শরুক য়াহনখিবনি। অদুম ওইনমক মায় পাক্কুনা কম্মিসনননা রেকমেন্দ তৌরবশিংবু ওফর ফোর্ম লৌররো হায়বগা লোয়ননা পীশিল্লক্লবগী মতম ফাওবা অকক্লনা পীরল্লগা পুল্লপ কেন্সেল তৌথোকখিবা অসিদি মায় পাক্লবশিংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করম্বা মীৎয়েং থল্লিবনো হায়নসু হংনরক্লি।

অমরোমদা মায় পাক্লক্লবা কেন্দিদেট ১৬৮ অসিগী ৱাফম লৈখাই তাদ্রিঙৈদা এম পি এস সীনা লৌদুনা মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ এগজামিনেসন ২০২২ পাঙথোক্লগনি হায়বগী নোটিফিকেসন থোকখিবগা লোয়ননা এগজামিনেসন অসিগী মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলক্লিবনি।

### অসুকনা ইরেংবম ...

*লামায় ১গী মখা...* ৱাৎলগনি। কোরকোমগী অহানবা কনভিনর ওইনা চহী অনীমুক নক্লা ঐখোয়গা তিন্নজহৌবদা ঐখোয়গী থম্মোয়দা ফাওজবদি লুচিংবা অসি মতৌ তম্বদা ৱানা থোক্লগদবা মতিক ময়াই কয়া লৈ হায়বসিনি। নহা অহল, অনেম অৱাং খায়দনা মীপূম খুদিংমকপু চপ মান্ননা য়েংবা, তিন্নবা নুংঙাইবা, মোমোন তৌদুনতা লৈবনচিংবা অমনি। অচৌবা য়াওল্লুপ অমগী লুচিংবনি হায়বগী চাওথোকপা লিচৎ মচেৎ অমত্তসু উখিদে। খঙই হৈ হায়বগী নাপলসু খজিক্তং ফাওবা উখিদে। থেংনখিবা এক্সপরিএন্স উৎথোক্কুনা অচাওরম কাদবা, নোল্লুপকা লুচিংবা অমনি। অশাওবা হায়বদুদি লুচিংবা অসিগী থম্মোয়দা অমদি লূ-তোংদা য়াওদবগুম তৌই। খোন কনবা ৱাঙাঙ অমুক ফাওবা তাখিদে। চিকোন নাওকোননা তপ্না ঙাঙবা অদুগা ঙাঙথোরকপশিং অদুদি ৱাহন্থোক য়াম্না লৈবা, নাতৈসু য়াম্না চানা ঙাঙ-শকপা (লোজিকেল) ওইবা মীওই অমনি হায়রি।

য়াওল্লোনগী মতাংদসু কংলৈপাক, ৱেসিয়া লমদম অমগী মালেমগী য়াওলগী লিখুন মমুৎ তানা খঙবা লুচিংবা অমনি। ঐখোয়গী মীরোল অসিগীদমক্তদি প্রসিদেন্ট চাওরেন তাঙলবা অরংবা থৱানগুম ঙাল্লম্বা য়াওল্লোইনি, য়াওলগী লমজিং মৈরানি। মহাক্কী মতিক ময়াই অসি কুইর-কুইরগা লংবা হেনগৎলকখিগনি হায়রি।

### পোপিলালনা এন্টিসিপেটরি...

*লামায় ১গী মখা...* ফাইল তৌরকখিবা প্রেয়রদা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা লম্ফেল পি এসকী এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর অমনা লুচিংবা পুলিস টিম অমনা মহাক্কী ময়ূমদা লাক্কুনা মহাকপু ফাননবা হোৎনরমখি। মতম অদুদা মহাক অতোপ্পা লৈকায়গী ইমুং অমদা অঙাংশিংবু ট্যুসন তৌদুনা লৈখি হায়নসু ফোঙদোকপগা লোয়ননা পুলিসকী এ এস আই অদুনা পোপিলালগী অপোকপদা ইমুং অদুদা থি-হুম্বগী থবক চথনবগী সর্স মেমো অমসু পীরমখি হায়রি।

লোয়ননা মথংগী নুমিৎতনা পোপিলালবু লম্ফেল পি এসতা মশা লাক্লবা সমন অমসু পীরকখি হায়রি। সমন অদুগী মতুংইন্না মহাক রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলিবা কেস অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ১১গী অয়ূক পুং ১০দা লাক্লনবা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক মহাক্তি কেস অসিদা লান্না চিংশিনদুনা মরাল শীজিনবনি। মহাক্কী মায়কৈদগী ওফেন্স অমত্তা চথখিবা লৈতে অমসুং মহাক মীয়াম্না ইকায়খুম্নরিবা মীশক অমা ওইবনা মহাক্না কেস অসিদগী মীরোৎ ওইনবগী খুদোংচাবা লৈতে অমসুং কেস অসিগী ইভিদেন্সশিং টেম্পর তৌনবসু লৈতে হায়খি। মহাক কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা মণিপুরগী মপান্দা চৎলোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকপগা লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা মহাক্কী মথৌ তারকপদা মশা ফংহনগনি হায়বা ৱাফমসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

### হিরোইন কিলোগ্রাম ১ হেন্না...

*লামায় ১গী মখা...* পব্লিক প্রোজিক্যুটর এল দেন্নি মীতৈনা লেপ্পগা মহাক্কী মায়কৈদনা এমিকস ক্যুরি পি প্রেমচান্দনা লেপ্পগা মহাকপু এদভোকেট অমুজাও ওইনামনা মতেং পাংখি। কোর্টনা নাকল অনীনা তৌরকপা সবমিসনশিং তারবা মতুংদা মহাকপু এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ২১ (সী) গী মখাদা চহী ১৫গী ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা লুপা লাখ ১গী শেনফমসু ফাইন ওইনা পীননবা খঙহনখি। ফাইনগী শেনফম অসি মহাক্না ঙসিদগী পারগা চহী ৫ ফাওবগী মনুংদা পীবা ঙমদ্রবদি মহাক্কী ফাদোক্কী মতম থা তরুক শাংদোক্কনি হায়খি। অদুম ওইনমক কেস অসিগা মরী লৈননা মহাকপু ফাজিন্দুনা থমখিবা নুমিৎশিংদি ফাদোক্কী মতম অসিদগী ককথগনি হায়খি। লোয়ননা কোর্টনা শজিৱা জেলগী এস পিদা মতম মতমগী মতুংইন্না মঙোন্দা মথৌ তাবা মেদিকেল এইদ পীদুনা মহাকপু জেলদা নাদ-য়েক্তনা লৈহন্নবা থবক লৌখৎনবা দিরেক্সন পীখি।

### ইম্ফাল-তামৈ লম্বীগী অশম্বা লম্বী...

*লামায় ১গী মখা...* মায়কৈদগী মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌরদুনা শেম্বীরক্তবনা মরম ওইরগা ঙসিদি মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দা অসুক্কী মতিক খুদোং চাদ্রে। মরু ওইনা লম্বী অসিগী মফম কয়াদা কোমজাও কয়া লৈবনা গাড়ী থৌবা অমদি অতোংবশিংদসু অৱাবা ওইরে। লম্বী অসি নোং চুবা মতমদনা লৈখোম থোক্লে অদুগা অতৈ মতমদনা উফুলনা মী চৎপা ঙম্নদ্রে। লম্বী অসি চৎপগী খ্বাইদগী শম্বা ওইরিবা অমসুং থোংলোন অতোংবগা টি ৱাইচোংগা শম্নরিবা ইরং তুরেলগী মথক্তা চহী অহুমগী মমাঙদা থোং শাগনি হায়দুনা হৌগৎলম্লগা মচি লেঙদনা লৈরিবা অসি হন্দক্কী ৱার্কিং সিজনদা শেম্বা লোইশিন্নবা থবক শুবা হৌবীরো। করিগুম্বা থোং অসি নোংজু থা লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা শাবা লোইহৌদ্রবদি তুরেলগী ঈমাই হেক ৱাংখৎলকপগা হায়রিবা খুল অনী অসি ফাওনবা য়াদবনা মরম ওইরদুনা ইম্ফালদগী তামৈ চৎপা মীয়ামসু লম্বী অসি ফাওদুনা চৎপা য়াররোই হায়খি।

মরম অসিনা লম্বী অসিদা চৎলিবা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া য়েংলগা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা ইম্ফাল-তামৈ লম্বী (আই টি রোদ) অসিবু নৌনা শেমজিনবীয়ু অমসুং থোং অসিসু শাবা লোইশিনবীয়ু হায়খি।